# এডিটোরিয়েল

## লৈবাক ৱাথোক ওইহনগুমসি

থংনা–থংননা টার্ম অহুম্লক সরকার পায়রক্লবা কংগ্রেসনা লুচিংবা সরকার অসিগী অহুমশুবা টার্ম লোইশিন্নরকপা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী ৱাথোক–লাচ্ছোক কয়া মায়োক্নবা হৌরে। চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা ওইনা শেল–থুমগী ফিভম শোকচিল্লবা ষ্টেত অমা অহানবা টার্মগী হৌগৎলকপা মতমদা কংগ্রেসনা লুচিংবা সরকার লাকখি। য়াম্না হৈশিংনা হান্না ওইরম্বা ফিভমদুগী অওনবা অমা মহাক্কী লৈঙাক্না পুরকখি অমসুং নহা ওইরিবা মীওই কয়াদা মিনিষ্টর ওইনা মরুওইবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী থবক থৌরম পুহনখি। শেল–থুমগী ফিভম খরা ফগৎলকপদগী সরকারগী দিপাটমেন্টশিংদা লৈরম্বা অৱাৎপা ফম হাপচিনবা হৌখি। আই আর বি, পুলিস নচিংবগী রিক্রুইটমেন্ট হঞ্জিন–হঞ্জিন পাঙথোক্কুনা হোম দিপার্টমেন্টকী তৌবা ঙমবা শক্তি হেনগৎহনখ্রে। হৌজিকসু লেপ্তুনা পুলিস পার্সোনেলশিং লৌনবা হোৎনরি। অদুবু তোঙান–তোঙানবা মরুওইবা দিপার্টমেন্ট খরদদি থবক পুরিবা মিনিষ্টরনা য়েংশিনবীদবদগী থবক্তগী পোত্থাখিবা মী মশীংনা হেনখিদুনা হৌজিক অহাংবা পোষ্ট মশিংনা হেন্দুনা মী ৱাৎলবা, ইমপ্লোয়ি লৈতবদগী মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমদ্রবা দিপার্টমেন্টশিং ওইরে হায়বসি চীফ মিনিষ্টরনা হেন্না খঙলমগনি। অদুগুম্বা মথৌ তৌদ্রবা নৎত্রগা মশাগী পোর্টফোলিও মনুংদা লৈবা দিপার্টমেন্টপু য়েংশিনবা ঙমদ্রবা মীওইশিং অদুদি মীয়ামগী মীহুৎনি হায়দুনা মিনিষ্টর ফম পায়হনবগী মথৌ তাদে খল্লি। অদুগুম্বা মিনিষ্টর য়াওরকপা অমসুং টার্ম অহুম্মক্তা ফম পায়হনবদগী কংগ্রেস এম এল এ শিংগী মরক্তা ঈহৌ অমা শাগৎলকখি। শম্না হায়রবদা অনীশুবা টার্ম ফাওবদদি ফিস্কেল মেনেজমেন্ট অসি পান্দম অমগা লোয়ননা য়াম্না হৈশিংনা চীফ মিনিষ্টরনা পুখৎলমখি অমদি মিনিষ্টর অমত্তদা শোকহন্দনবা মওংদা পায়খৎলমখি। মতম অদুদা কংগ্রেসনা পানবা লৈঙাক অসিগীদমক মতমদুগী সেন্তরদা পাল্লম্বা কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ লৈঙাক অদুনা ফৈগাক ফৈনা শৌগৎলম্বনা শেল থুমগী মতাংদা অৱাৎপা লৈহনখিদে হায়বা য়াই। অদুবু মতমদুদসু চীফ মিনিষ্টরনা খ্বাইদগী কোক শাখিবসি প্লানগী শেনফম অমা ফাওবা মতম চানা শীজিন্নদুনা লোয়শিনবা ঙমদবা অমসুং দিপার্টমেন্ট খরনা শীজিন্নখিবা শেনফমগী য়ুটিলাইজেসন সর্টিফিকেট মতম চানা সেন্তরদা থাবা ঙমদবগী মতাংদা ওইখি। অদুগুম্বা অশোনবশিং অদুনা মরম ওইরগা সেন্তরনা ফন্দিং থাদবা স্কিম কয়া মখা তানা শেল থাদরক্তবদগী মায়পাকখিদ্রবা হায়বদু ওইখি। মদুনা লৈচেন্নরগা মখা তাবা প্রোজেক্ট কয়া অমসু ফন্দ সেঙ্কসন তৌরক্তনবগী মরম ওইখি। মদুনা অমুক শোকহল্লিবসি ষ্টেটসিগী মীয়ামগী চাওখৎ–থৌরাংগী থবকশিংনি অমসুং মীয়ামগী শেন্মিৎলোনদনি। কংগ্রেস পার্টিগী ওইনা মায় খুগদবা কয়া অমা লৈঙাকসিগী মিনিষ্টর খরনা তৌরে খঙবদগী হন্দক্কী লৈঙাক্লোইশিংগী ঈহৌ অসি লাকপনি খল্লি।

মরু ওইনা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিগী মপুন্সি লোইশিল্লকপা অমদি সেন্তরদনা বি জে পিনা লুচিঙবা এন দি এ সরকার লাকপা অসিদগী ওপোজিসন পার্টিশিং অসিদগী মশা কঞ্জনবা অমদি পার্টিবু কন্নবা হন্দক্কী ইরাং অসি থোক্লকপা ওইগনি। মতাং অসিৱাইদা অমুক হায়দোকখিবা ৱা ঙাকপা ঙমদবা লুচিংবনি হায়বগী মরাল শীজিল্লগা লুচিংবা মশেল ইন্থোক ইনশিনগী লাল্লোং অমসু চত্থরকপসিনা পার্টিগী এম এল এ শিংবু মীয়াম্না তোঙানবা মিৎয়েং অমদা য়েংনবা হৌরকপনি হায়বসি শোয়দনা খঙফম থোকই। তৌরিবা অমসুং ওইরক্লিবা ফিভম অসি মীয়ামদদি কুম্মৈ ঙাক্তনি। মনুংগী ৱাথোক অসি হেন্না চাওথোরক্ত্রিঙৈদা লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা সোলুসন অমা পুরক্তুনা টার্ম অসি মপুংফানা লৈঙাক্লবা শীলহৌবা চুমগনি। লুচিংবশিংনা মশা–মশা কন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্তা মিৎয়েং চংদ্রে হায়বসিদি লৈঙাক্কী শোত্থরকপা কয়ানা মরম ওইরগা ফিস্কেল দিফিসিট ওইরগদবা লৈঙাক ওইরক্কদবগী অকিবা লৈবসিদগী অদুম্মক খঙলবা ৱাফম্নি। হেন্না চাওথোক্লক্তুনা লৈবাক ৱাথোকতি তহনগুমসি। মথংগী মীখল লাক্ত্রিঙৈদা হৌজিক লৈঙাকসিগী শেল–থুমগী ফিভম ফত্ত্রে হায়বসিদি পূন্নমক্না খঙলবা ৱাফমনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### হিয়াংলম কেন্দ্রদা তুমিং ফাওবা পায়রদরে

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

*থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম কেন্দ্রগী মনুংদা সেকমাইজিন্দগীনা অরোং নোংমাইখোং লাফুপাৎ তেরা, কোনুমা, সেকমাইজিন খুন্নৌগী এরিয়াগী লম্বী খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা ফত্তবনা লমদমসিগী প্রজা মীয়াম মহৈরোই অমদি অনা লাইয়েংগী চঙথোক–চঙশিন তৌবদা চাওনা খুদোংথিবা মায়োক্নরে।*

*হায়রিবা লম্বী অসিদা মমাংগী চহীশিংদা কোয়লাস থাবা কুইখিদ্রিবনি। পি এম জি এস ৱাই গী মখাদা লৈবা লম্বীসি কয়ারক হন্না কোয়লাস থারবসু শুরিবা থবকশিং ক্বালিটি মেনতেন তৌদবনা হৌজিক্তি ঙা ফাওবা য়োকপা য়াবগী থাক্তা লৈরে। মমাং চহী ২০১৪ গী ওক্টোবর থাদা পাংথোকখিবা বাই ইলেক্সন্দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর মশামক মাগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং অমদি এম পি শিং য়াওনা হিয়াংলম কেন্দ্রগী মফম পূন্নমক্তা অহিং নুংথিল খংদনা কংগ্রেসতা ভোৎ পীয়ু হিয়াংলম কেন্দ্রসি পূমলং লংহনগনি হায়বীরমখিবশিং হৌজিক্তি মফমসিদা তুমিং ফালবা পায়রদরে।*

*মরু ওইনা খ্বাইদগী ঙাক্লিবদি কেন্দ্রগী মিহুৎনা পনজাও পুবদগী য়েংশিনবা ঙমদ্রবসু মাগী ৱার্করশিংনা কেন্দ্রসিগী অৱাবা তারিবশিংগীদমক্তা মতম মতমগী থবকশিং তৌনবা হোৎনবদি লাইরদনা ৱাহৈ অমা ফাওবদা হায়দবসিদি ঙক্তবা ঙমদে। ইলেক্সন ময়া য়ৌরকপদদি শিবা নাবা খংদনা ওইদ পাদ কয়াশিং হায়শিন্দুনা ভোৎ খোম্নবদি তোকপা য়াদে খন্দুনা হোৎনরক্কনি। ভোৎতা হায়খিবশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙমলোইদৌবশিংনা ভোৎ খোম্বা থোকপিরক্কনু লৈকাইদা নুংশিনদবা খৎন–চৈনবা থোরক্কনি। মসি পূন্নমকশিং থোকহল্লোই হায়রবদি হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্না থবক তৌবা মথৌ তাই।*

**অদোমগী**
**কোন্থৌজম মনিহার সিংহ**
**সেকমাইজিন খুন্নৌ**

# শ্রীমদ্ভগবদ গীতাগী মরমদা স্বামী বিবেকানন্দগী মীৎয়েং # ২১

তেষাং সতৎ যুক্তানাং ভজতাং প্রীতিপুর্বকম্।
দদামি বুদ্ধিযোগং তং য়েন মাং উপয়ান্তি তে ।।১০।।

পুক্নীং চপয়ুংনা (অনী লোঙদনা) অমসুং থম্মোই শেংনা ঐহাকপু পুজা তৌজরবা নুংশিবগা লোয়ননা, মখোয়দুদা ঐহাক্না 'বুদ্ধি–যোগ' হায়বসি পীদুনা মখোয় ঈনাক্তা য়ৌরকই ।।১০ঃ১০।।

থম্মোই শেংনা অমদি য়ৌনা নুংশিবা হায়বদু লৈরবা মীওইশিংদুদি পরমাত্মনাসু মখোয়বু নুংশি। ঈশ্বর মশামক্না লম্বী উত্তুনা অমদি পাংবা য়াবা মতেঙ পাংদুনা মখোয়বু পরমাত্মগা অমত্তা ওইনা তীন্নহল্লি। '' Those who are constantly attached to Me and worship Me with (Pure) Love - I give that direction to their will by which they come to Me. '' [ ঐহাকপুতা নীংদুনা লৈরবা অমসুং অমকপা য়াউদ্রবা নুংশিবগা লোয়ননা ঐবু পুজা কৎচরবা মীশিংনা মখোয়না নীংজরিবা পুন্থুংদু য়ৌনবা ঐনা লম্বী তাকপীদুনা ঈনাক্তা য়ৌরকহল্লি।] অসিগুম্বা মখলগী ভক্তি অসিবু রামানুজনা " অথতো ব্রহ্ম–জিজ্ঞাসা" হায়না কৌই হায়।

অক্ষরানাং অকারো Sস্মি দ্বন্দঃ সামাসিকস্য চ।
অহমেবাক্ষয়ঃ কালো ধাতাহং বিশ্বতোমুখঃ ।।৩৩।।

লাইরিক ময়েকশিংগী মনুংঙদা 'অ' হায়বদু ঐনি, সমাস (ৱাহয় অনী অনী পুনশিন্দুনা শেম্বা) কী মনুঙদা দ্বন্দ সমাস হায়বদু ঐনি। লোইবা কৌবা লৈতবা কাল (মতম) হায়বদু ঐনি, জগতসিবু ঙাকশেল্লিবা (মাগী মাগী কর্মফল পিরিবা) ঐহাক্নি, শক্লোনশিং পুন্নমকসু ঐনি ।।১০ঃ৩৩।।

"অ" হায়বা খোন্থোক–ময়েক অসিদগী তোঙান তোঙানবা ময়েক পুম্বা থোরকপনি, মতৌ অদুম্না সংসারগী তোঙানতোঙান্না উরিবা শকওং পুন্নমকসে ত্রীকৃষ্ণদগী থোরকপনি (হৌফমদি অমত্তনি।)

য়দ্যদ্বিভুতিমৎসৎত্বং শ্রীমদুর্জিতমেব বা।
তত্তদেবাবগচছ ত্বং মম তেজোং S শসম্ভবম্।।৪১।।

Whatever being there is great, prosperous or powerful, you know that to be produced from a part of My splendour ।।10ঃ41।।

[ অচৌবা ওইরিবা পুন্নমক, য়াসফানুংঙাই পুন্নমক নৎত্রগা শক্তি লৈবা পুন্নমক ঐহাক্কী তৌবা ঙম্বা ইতিক ইগুনশিংদগী থোকখিবা ঙাক্তনি, ৱাফমসি খঙ্ডুনে।]

সংসারগী মফম অমদা হরাউ–নুংঙাইবা অমদি অপেনবা হায়বদু লৈরবা, মৈঙাল অমনা লমজীংবগী থবক তৌরবা মদু পুম্বদু পুরুষ (ঈশ্বর) মঙোন্দগী লাকপা ঙাক্তনি। খঙজিনগদবা ৱা অমনা, গুন ময়াম অসি অমগা অমগা কয়া কয়াগা পূল্লগা শেমখিবনি (কম্পাউন্ড ওইবনি)। প্রকৃতি অমসুং পুরষ অনিগী গুনশিং পুনবনি।

সংসারদা অৱা–অনাশিংনা থীংবা য়াদনা হেনগৎলক্লবা অদুগুম্বা মতমদা প্রভুনা থোরক্তুনা মফম কয়াদা মতম কয়াদা হোংদোক হোংজীন, শেমদোক শেমজীনা হেক–হেক তৌররি। মহাক্না অশুম্নসু ফোঙদোকই, মীওইবা জাতিনা মাঙতাক্লবগী লম্বীদা চঙশিনখ্রবদা তোঙানবা শক্তিশিং পুরদুনা মহাক্না কয়া হেক–হেক থোরকপা থেংনগনি, খুদোংথিবশিং ঙাকথোক্তুনা ধর্মগী অমদি সত্য গী রক্ষা তৌনবা। অদুগুম্বা শক্তিচেনবা মহাত্মশিংদু ঐনি, মখোয়দু ঐগী মহুৎশিনবা ঙাক্তনি।

The Lord has declared to the Hindu in His incarnation as Lord Krishna ''I am in every religion as the thread through a string of pearls. Wherever, there seest extraordinary holiness and power raising and purifying humanity; know I am there.'' [প্রভুনা (মীয়ামদা) ফোঙনা লাওথোক্লি, ধর্ম খুদীংমক্তা ঐহাক লৈ, মোতীগী পেরেঙ অমা শেম্বদা লং অমনা মোতীশিংবু লেংশিনবা অদুগুম, (লমচৎ শাজত্তা) পুমশেং শেংবা ওইবা অমসুং ময়ামদগী হেন্দোকথোইদোকপা শক্তিঃ উথোকলিবা অদুগা মীওইবগী অমোৎপশিং শেংদোক্লিবা অদুগুম্বা মীশকশিংদুদা ঐহাক লৈ হায়বা খঙউ।] হায়রিবা মথক্কী ৱাফম সিগী অর্থ করিনো? সংস্কৃতলোলদা ইরম্লবা ভারতকী দর্শন শাস্ত্রশিং অমদি ধর্মগী ওইবা লাইরিকশিংদা হিন্দু ওইবা মীশিংতবু ঈশ্বরনা লানবীগনি (কনবীগনি) হায়বা অসিগুম্বা ৱাঙাঙ অমত্তা থিবা ফংলোই। অতৈ ধর্ম কয়াদা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা ৱাফমসে য়াউবগুম তৌই।

ঐকোয়গী মুনি ঋষিশিংনা ভারতবাসীশিংবু মখোয় মখোয়না পামজবা ঈশ্বরগী অবতার অমা হেক্তা থম্মোই শেংনা নীংজবা য়াগনি হায়না ফোঙদোক্লম্বনি। অমরোমদা অবতারশিংগী অথোইবা ওইরিবা প্রভুনা হায়রম্বদু নীংশিংবা চুম্মী, ময়ামদগী হেনবা গুনশিং অমসুং তোঙানবা শক্তিশিং উথোরক্লিবা তাঙলবা মীওইশিং (মরক–মরক্তা লাকপা) অদু ঐহাক্কী গুনশিং ফোঙদোকপনি, মখোয়দা ঐহাক লৈ তাকলিবনি। অশুম্না হিন্দুশিংনা অতৈ ধর্মদা লাৎনরীবা অবতার ওইবা লাই শিংবুসু মখোয়না পামজরবদি নীংবা অমসুং পুজা তৌবা করিমত্তা কায়দে হায়বা ৱাফমসি তাক্লম্বনি। মওং অসুম্না লাইদা নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদা, তোঙান–তোঙানবা জাতিশিংগী মনুঙদা থোরকখিবা মীথোই মীহেনবা মীওইশিংবুসু চপচানা ব্যবহার উৎকদৌবনি, কৈদৌঙৈদসু তোঙান্না অমদি পুকচেল অপীকপগী মীৎয়েংঙদা, ঐখোয়গী নৎত্তে অশুম্না খক খল্লোইদবনি। হিন্দুশিংনা চর্চ্চ কয়াদা চৎতুনা যিশুবু খুরুম্বা য়াউবা তোয়না থেংনৈ, মোস্কতসু চঙদুনা নামাজ তৌবসু কয়া–কয়া থেংনৈ–মসিদা অকায়বা করিশু লৈতে। অমরোমদা মসিনা মীওইবা মশেল নুংশিনবা, পুন্না হিংমীন্নবা অমসুং শান্তি পুরকপদা মতেঙ পাংগনি। ধর্ম খুদীংদা লৈরিবা ফজখ্রবা ৱাখল্লোনশিং, ফিদমশিং অমদি চৎনবীশিং লৌথোক–লৌশিন তৌনবদা করিশু অমাঙবা লৈতে, পুন্না চৎমীন্নদুনা পুন্সিগী পুন্থুং য়ৌমীন্ননবা হোৎনগদবনি। বেদান্তনা তাক্লিবা পুন্নমক অমত্তনি, খেন্নবা উবদু লাল্লি হায়বদু কোন্না চুম্মী খঙনরক্কনি।

অথবা বহুনৈতেনাং কিং জ্ঞাতেন তর্বাজুন।
বিষ্টভ্যাহং ইদং কৃৎস্নং একাং শেনস্থি তৌ জগত ।।৪২।।

খেন্ন–খেন্ননা লৌনরীবা ৱাখল–মীয়েঙশিং অসি নখোয় (মীওইবদা) করি কান্নগনি? হে অর্জুন, ঐহাক্কী শরুক মচেৎ অমনা জগত অসিবু ঙাকশেন্দুনা থল্লিবনি (মসি কাওগনু) ।।১০ঃ৪২।।

লৈবাকপোকপা খুদিংগী...
সত্যম–শিবম–সুন্দরম
কে সি নন্দ

ঐখোয়না মপান্নাইদ্রবা বিশ্ব–জগত অসিবু লোয়না উবা ঙমদে, শুপ্নগী পীকখ্রবা শরুকমচেৎ অমত্তংবু উবনি। মতৌ অদুগুম্না ঈশ্বর মহাকপুসু ঐখোয়না চপচানা উবা ফংদে। "I the universal, so great am I that even this universe is but a part of Me." That is why we see God as imperfect and donot understand Him. The only way to understand Him and the universe is to go beyond reason, beyond consciousness. [''বিশ্বজগতপু শেম্বা ঐহাক অসে ওন্থোক্লা য়াম্না পাকচাওবনি, বিশ্ব (হায়দুনা) খঙনরিবসিমকসু ঐগী শরুক মচা অমত্তনি।'' মরম অসি লৈবনা, ঈশ্বরবু মপুঙফাদবা ওইনা উনরিবনি, অমসুং মাবু মুন্না খঙদ্রিবনি। মহাকপু চপচানা খঙবা তারবদি অচুম–অরান অমদি খঙবা হায়বসিগী ৱাংমদা চৎখিবা তাই]

তস্মাৎ ত্বং উত্তিষ্ট যশো লঙস্য
জিত্বা শক্রন্ ভুভশ্ব রাজ্যং সমৃদ্ধম।
ময়ৈবৈতে নিহতাঃ পুর্ব এব
নিমিত্তমাত্রং ভব সব্যসাচিন্ ।।৩৩।।

মরম অসিনা (মরৈয়েৎলগনু) হৌগৎলো অমসুং (লাল তৌদুনা) মীংচৎ তাল্লো। য়েক্লবশিংবু মায়থীবা পীদুনা লাম্বা লৈত্রবা শক্তিগী মপু হায়বদু ওইহৌরো। অশেংবদি মখোয়স ঐ ইশামক্না হান্ননা হাৎখ্রবনি, নহাক্তি ইচম–চম্না ঐগী খুৎলায় ওইবতনি, (মসি খঙউ) হে অর্জুন ।।১১ঃ৩৩।।

মীওইবনা তান্নফম থোক্লিবা অফবা অমদি অচুম্বা (পন্থুং) হায়বদু করম্বনো? কনাগুম্বা লাইনীংবা খরগীদি মোক্ষ হায়বদু ফংবনা অচুম্বনি, কনাগুম্বা মীওইশিংগীনা ধর্মগী অশেংবা লোনচৎপু মীয়ামদা তাক্তুনা শন্দোকপনা অচুম্বা ওইরি। সংসারদা লাক্লিবা অহোংবা পূন্নমক ঈশ্বরনা তৌবা ঙাক্তনি, মীওইবশিংবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবনি। খুৎলায় ওইরিবা পোৎশকশিংনা থবক অমত্তা মখোয়না তৌবনি হায়দুনা নাপল তৌরুবগী অর্থ লৈতবনি। খঙদবা অমসুং অপঙবা মীনা মায়া সংসারগী পুন্সিবু অশেংবনি খনবনি, লৈবসু লৈতবা নুংঙাইবদু কোইতান তান্নদুনা মতম মাঙহনবনি।

ময়া প্রসন্নেন তবার্জুনেদং
রুপং পরং দর্শিতমাত্মযোগাৎ।
তেজোময়ং বিশ্বং অনন্তং আদ্যং
যস্সে ত্বদন্যেন ন দৃষ্টপুর্বম ।।৪৭।।

(নঙবু নুংশিবদগী) হে অর্জুন, ঐহাক্না ঐগী বিশ্বরুপ, অশেংবা শক্তমবু ঐগী যোগগী শক্তি শীজিন্নদুনা নঙোন্দা উহল্লে। শক্তমসি পনখৈ লৈতবনি, মৈঙাল ওইবনি, মসিনা জগতপুম্বগী অহানবা (হৌফম) হায়বদু ওইবনি। মসি নহাক নত্তনা অতৈ অমত্তনা অশুম্না উবা ফংখিদ্রিবনি।।১১ঃ৪৭।।

থাজগন্দবা মী মখল খর লৈ, মমীৎনা উরবা থৌদোক ফাওবদা থাজদে হায় মখোয়দি, উরিবদু মীত্তা শেরান–তুরান্না (হেল্লুসিনেশন ওইনা) উবনি হায়না ফাউবা হায়বা লৈ। মখোয়গীদি উপায় লৈতে। শ্রীকৃষ্ণনা মহাক মশাগী অশেংবা মশক "বিশ্বরুপ" হায়বদু অর্জুন্দদা নত্তনা কুরুগী সভাদা দুর্জধনগী মমাঙদসু উৎখ্রবনি। অর্জুন্না ভগবানগী অশেংবা শক্তম অমদি মগুণবু মুন্না খঙজখি, অমরোমদা দুর্যধনদি মদুপুম্বা মায়া তৌবনি হায়না শেরান্ননা লৌখি। মসি মী মীদুগী পুক্লিংগী মখা পোনবনি, পুক্লিংদুসু মশা মশাগী কর্মশিংগা মরী লৈনবনি। পুক্লিংদা অমকপা লৈতবা থম্মোয় শেংবা মীগী মফমদি উনাতা লেঙবদা ঈশ্বরগী থৌঈনশিন্নি খঙলিবনি।

অর্জুন্না হায় (অর্জুন উবাচ)ঃ
এবং সততয়ুক্তর্থ থে ভক্তাস্ত্বাং পর্যুপাসতে।
থে চাপ্যক্ষরমব্যক্তং তেষাং কে যোগবিত্তমাঃ ।।১ ।।

পুক্লিং অনী লোঙদনা নহাক্তবু নীংজরিবা মখোয়গা মাং–তাকপা লৈতবা মশক উদবা ব্রহ্মবু পুজা তৌজরিবা মখোয়গা যোগগী লম্বীদা করম্বনা অথোইবা ওইবগে? ।।১২ঃ১ ।।

শ্রীভগবান্না হায় (ভগবানুবাচ)ঃ
মধ্যাবেশ্য মনো থে মাংনিত্য যুক্তা উপাসতে।
শ্রদ্ধয়া পরয়োপেতাঃ তেমে যুক্ততমা মতাঃ ।।১ ।।

ঐঙোন্দা থম্মোয় শেংনা, পুক্লিং লোঙদনা নীংজরবা অমদি লেপ্তুনা পুজা কৎচরিবা মখোয়দু ঐগী মোত্তা যোগগী লম্বীদা হেন্না অৱাংবা থাক্তা লৈ হায়না লৌগনি ।।১২ঃ২ ।।

(মথঙ–মথঙ)

# হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং ইতিহাস–১

### ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

সনাতন ধর্মগী মরুওইবা সাহিত্যদা ইতিহাসকী মথৌ অমসুং মগুণ চাউনা লৈ। তশেংনমক লোক শিক্ষাগীদমক্তদি ইতিহাস অমসুং পুরাণনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। বেদগী অৱাংবা ৱাখল্লোন্দু সাধারণ মীয়াম্না খঙবদা ৱাবনা বেদগা মীয়ামগা শম্নদবা তারকই। ফনা ফজৈ হায়দুনসু নৈনবা ঙমদ্রবা নৎত্রগা থবক ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি ফজবদুগী কান্নবা লৈতে। মসিগী অহোবসিনি ইতিহাস অমসু পুরাণনা মেনশিল্লিবসি। বেদবু প্রভুসংহিতা কৌনৈ অদুগা ইতিহাস অমসুং পুরাণবুনা সুহৃত সংহিতা হায়নৈ। হায়বদি ফনবা খনবা নৎত্রগা মরুপ মপাং ওইবা অদুগা সংহিতা হায়রগনা পাক শন্না নৈনবা হায়বনি। অদুনা প্রভু ওইরিবা সংহিতা হায়বদি য়াথং পীরিবা বেদগী ফগৎনবা, মরুপ মপাং ওইবা মওংদা পীরিবা নৈনরোলদা পুরাণ অমসুং ইতিহাসনি। ইতিহাসতা ৱারী কয়ামুক য়াওরি মখোয়দুনা শাস্ত্রনা তাক্লিবা হৌনলোনচৎ, থৌগল্লোন, লমচৎ–শাজৎ কত্থোকপগী ৱাখল্লোন, মরৈবাক নীংবা, ফিদম্নফম ওইবা থৌওংশিং লোয়ননা সমাজগী চৎনবিশিং অমদি মী মশেলদা লৈনবা মরী নচিংবগী ৱাফমশিংসি ইরায় লায়না খঙবা য়াবা মওংদা তাক্লি। থৱায় পান্দবশিংদা ফিদম্নফম ওইবা ৱারী শাহনবা, অরুবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং খঙবা য়াবা লায়না তাকথোকপা অসিসু ইতিহাসকী মরুওইবা শক্তম অমনি। বংশচরিত, নিংথৌশিংগী, ভক্ত, জ্ঞানি, বৈরাগীশিংগী পুন্সি ৱারীশিং ময়েক শেংনা লীবসিসু য়াওরি। ইতিহাসনা লৌরিবা থৌদাংসিনা মীয়ামগা লৈনবা মরীদদি য়াম্না হেন্না ৱাংই।

ইতিহাসকী মনুংদা মহাভারত, রামায়ণ, যোগবশিষ্ট অমসুং হরিবংশ মশীং চল্লি। হিন্দু খুদিংমক্না রামায়ণ অমসুং মহাভারতকী ৱারী খঙদবা য়াওদে। হিন্দু নত্তবশিংনসু খঙই। রামায়ণ অমসুং মহাভারত লীশিংলক তারবসু অদুম নৌদুনা লৈ। মখোয়দা য়াওরিবা মীওইশিংগী লমচৎ–শাজৎ কয়াগী মমি হিন্দুশিংতদা নত্তনা মীওইবা জাতিদা কন্না তারি। ধর্ম কমদৌনা ঙাক্কদগে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। নিয়ম চুম্না মীনা লেনবা পুন্সি মপান্দা ৱানা উরবসু নুংগী ওইনা ফংবা নুংঙাইবা লোয়ননা নিয়ম চুমদবা মীনা লেনবা পুন্সিনা মপান্থোংদা নুংঙাইনা উরবসু নুংগী ওইনা ফংবা অৱাবা অসিনচিংবা কয়াসু ময়েক শেংনা উৎলি। পূম্নমকসিগী মথক্তা অধ্যাত্মাগী লুরবা ৱাখল্লোন কয়াসু লায়না তাকথোক্তুনা খঙহল্লি। ভক্তি,, জ্ঞান, কর্ম, যোগ নচিংবা লম্বীশিংসু লায়না তাকথোক্তুনা খঙহল্লি। শম্না হায়রবদা ইতিহাসনা শোক্তবা মফম য়াওদে। ইতিহাস কদায়বু কৌবগে হায়বগী সংজ্ঞাদা অসুম্না পীরি "ধর্মার্থকামমক্ষাণামুপদেশসমন্বিতং। পুর্ববৃত্তং কথাযুক্তমিতিহাসং প্রচক্ষতে।।" (ধর্ম অর্থ াকম মোক্ষ গী মরমদা পাউতাক পীবা ৱাফম্না পুল্লবা হান্ননা থোকখ্রবা ৱারীশিং য়াওরিবদু ইতিহাস কৌগনি।) মসিনা তাকপদি নিংথৌরোলশিংগী তোঙান তোঙানবা ৱারীদুখক্তবু ইতিহাস কৌবা য়াদে, মদুদগী মী অমা ওইবদা চংগদবা খুদিংমক ফংবা তাই মহাভারত, রামায়ণ নচিংবা ইতিহাসশিং অসি শোক তারিখ য়াওদে, অদুনা থোকখিবা থৌদোকশিং নত্তে, কনাগুম্বশিংনা শেমজিনবা কাব্যনি হায়না লৌনবসু য়াওই। তৌবতদি হায়রিবা মহাকাব্যশিংসিদা অদুগুম্বা ৱারীশিংবুদি মরাং কায়না য়াওই, তৌইগুম্বসুং ৱারী পরিংদদি ভাবনা শাজিনবা ওইফম থোক্তবা য়াম্না য়াওরি। মুনি অমনা অসুম্না লীখি হায়বা ৱারী ময়ামদুগী খুথাংদা ধর্ম কমদৌনা ঙাকপা, লন কমদৌনা ফংবা হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসি তাকপনি। ৱারীগী লাকইবা পরিংদুদা মথেল অমা ওইবতনি। অমরোমদা হায়রিবা লাইরিকশিংসিদা অদুগুম্বা নিংথৌদুনা অদুগুম্বা থবক অমা পাঙথোকখিবদু নক্ষত্র অদুনা অদুগুম্বা মফমদুদা থোকপা মতমদা ওইখিবনি হায়বসি মরু ওইবা থৌদোকশিংদা তাকই, হায়বদি অকক্লবা মতমদু তাকই। অদুগুম্বা মতমদুমক ভাবনা শাবা উপন্যাস কুম্না লৌবদি চুমদে। থোইদোক হেন্দোক্না মফম অমসুং মতম অদুগা মখোয়গী নীংশিংনবা য়াবা খুদমশিংসু লৈ। ৱাফমসোমদা কুপ্না নৈনজদ্রে। লৌখৎচনীংবদি ইতিহাসশিংসিগী মগুণশিংদুনি।